মণিপুরগী ঙা মমল হেনগৎনা য়োন্দে, মরাং কায়নসু ফংলি

ইম্ফাল, মার্চ২০ (ঐচএনএস): মণিপুরদা হৌজিক লমদমসিগী ঙাশিং মমল হেনগৎনা ঙায়োনবীশিংনা য়োনবা লৈতে অমসুং ঙা ফংদবগী অৱাৎপসু লৈতে হায়না খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ঙায়োনফমদা ঙা য়োল্লিবীশিংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙায়োনবীশিংগী মনুংদগী এলাংবম শালিনিনা হায়, হৌজিক কৈথেলদা লোকলগী ঙাশিং ফংদ্রে অমসুং মমল ৱাংনা ৱাংনা য়োল্লে হায়না অরানবা পাউ শন্দোরকপা থেংনরে। ৱাফম অসিদা মীয়াম্না থাজবীগনু হায়রদুনা ৱাফমশিং অসি অরানবনি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা ঙাগী মমল হেনগৎনা য়োনবা লৈতে অদুগা ঙাগী অৱাৎপসু লৈতে। ঙা য়োকপগী থবক তৌবীরিবা মীওইশিংনসু অরানবা পাউ অসি তারগা ঙায়োনবীশিংদা ঙা মমল হেনগৎনা পীননবা হোৎনবীগনু হায়খি।

ইরমদমগী মীয়ামসু মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙা চাবীগনু হায়নসু আপীল তৌরদুনা মপানগী ঙাশিং অসি হীদাক অমদি কেমিকেল কয়া হাপ্পনা হকচাং শোকপদা নত্তনা লায়না কয়া পোকহল্লকপা য়াবগী চাং ৱাংই। মরম অসিনা মীয়াম্না ইরমদমগী ঙা ওইনা চাবীয়ু, মমল হেনগৎনা য়োনবা লৈতে হায়খি।

অতোপ্পা ঙায়োনবী লৈরেনতোম্বী খোংবান্তাবমনা পাউমীশিংদা হায়, হৌজিক মণিপুর অসি শেন্মীৎলোনগী ফীভমদা অসুক্কী মতিক শোকচিল্লে। মরম অসিনা মপান্দগী ঙাশিং পুশিল্লক্লগা মীরমদা লুপা লাখ কয়া নোংমদা চৎহল্লিবা অসি তোকথোক্তুনা ইরমদমগী শেন্মীৎলোন চাওখৎনবা হোৎনমিন্নরসি। হৌজিক ঙা মখলশিং মরাং কায়না ফংলি, মমল হেন্না য়োনবা লৈতে। মীয়াম্নসু অপাম্বা ঙাগী মশীং অমসুং মখল ওর্দর তৌবীরকপা য়াগনি হায়খি।

মীতৈগী এস টিগী মায়োক্তা অন্সমগী খোঙজং হন্দোক্ত্রবদি ইলেক্সন কেম্প্যেন শৌগৎলোই

ইম্ফাল, মার্চ২০ (ঐচএনএস): মীতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবা য়ারোই হায়না ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, মণিপুর (অন্সম) না গভর্ণরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদু হন্দোক্ত্রবদি লোক সভা মীখলদা আউটরদা চিংলিবা থৌবাল অমসুং ককচীংদা ইলেক্সন কেম্প্যেন চথুরকপদা শৌগৎলোই হায়না 'নো এস টি, নো ভোট' কী কেম্প্যেন কম্মিটি ককচীং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট পি বুধিনা ফোঙদোকখ্রে।

কৈরক মখা লৈকায় প্রাইমারি স্কুলদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না হায়, আউটরগী কেন্দিদেটশিংনা মখোয়গী মেন্যুফেষ্টোদা মীতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা ৱাফম হাপকদ্দবনি, য়েলহৌ ফুরুপ মীতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবদা অতোপ্পা ফুরুপ অমত্তনা থিংবগী হক লৈতে। এস টি লিষ্টতা চনবগী অয়াবা অন্সম অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা পীগদবা নত্তে, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনননা পীগদবনি হায়খি।

রোজর ইরোম লৈখিদবগী ১৩শুবা কুমওন...

লমায় ১গী মখা... মীথুংলেন ওইখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ লোগী হেদ ডা. ৱাই প্রেমানন্দনা হায়, ঐখোয়সি মীশিং য়ামজদবা মণিপুরগী মীতৈ ফুরুপনি। অকনবা সুনামিগুম্বা অমা লাক্লবদি লোইনা মাঙখিবা য়াবা মীশিংগী চাংদা লৈরিবনি। মরম অসিনা খৎন-চৈনবগী থৌদোকশিং থোক্লিবসি তৌহন্নীংদে। হৌজিক মণিপুরগী লৈরিবা ফীভমসিদা মীখল অমুক লাকশিনবদগী লাংবা হৌরক্লে। মতমসিদদি মীয়াম্না ৱাখল তাগদবনি। শেল লৌরগা ভোট থাদবা মতম নত্তে। মীওইবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পামজবশিংগী মনুংদা 'জষ্টিস' হায়বসিসু অমনি। লৈবাক অসিগী ওইনা মীওই ক্রোর ৩০০ লোম লৈবগী মনুংদা মণিপুরগীদি শুপ্নতগী লাখ ২৫ রোমদমক ওইবনা য়াম্না তোন্না লৈরিবনি। মরম অসিনা অফবা মীহুৎশিং খনবীয়ু, শেলনা ইশাগী হক য়োম্হোকপীগনু, চহী মঙাগী হক নীংশিংবীয়ু হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা ফীভমসিদদি অহোংবা য়াম্না লৈরে। নুংশিরবা ইচাশিংনা মমা-মপা ওইবশিংবু ওল্দ এজ হোমদা থম্নরক্লিবনি। মখল কয়াগী ৱাখল্লোন কয়া লাক্রবা মতমনি। মরম অসিনা তাঞ্জা অসিদা 'জষ্টিস' হায়বসিগী মরমদসু ৱার্কশোপকুম্বা পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনবা চুমগনি হায়খি।

ঐখোয়গী সনা লৈবাকসিদা অঙকপা থৌদোকশিং থোক্লি হায়রদুনা হৌজিক লৈরিবা ফীভমসিদদি মসল অমসুং মনি পৱারদা চৎনবী ওইনা লৈরক্লিবনি। ষ্ট্রাইক, জেনরেল ষ্ট্রাইক ওইরবসু ইনশিল্লগা তৌবা ফাওবা য়াওরক্লব্রা হায়বগী চিংনবা পোক্লরক্লবনি। মরম অসিনা ৱারী ইবা, শৈরেং ইবা অমসুং পাউরৌ পান্থেগী কান্নবা লৈ। ঙসিগী থৌরম অসিদা খনগৎলবা মহৈরোয়শিংদা এৱার্দ পীদুনা মখোয়গী পুক্নিং থৌগৎলিবা অসিগীদমক নুংঙাইবা পোকই হায়খি।

থৌরম অসিদা রোজর ইরোম মেমোরিএল ত্রষ্টকী প্রসিদেন্ট এন চাউবনা ময়ায় তাংবল লৌরগা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী থবক্তগী পোথারবা জোইন্ট দিরেক্টর টি থৌবা, সুমতি শৌগ্রাকপম অমসুং দেসামগী প্রসিদেন্ট এম সোমোরজিৎ মৈতৈনা ইকায়খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

'করপসন' গী থবক-থৌওং পুম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

'করপসন' (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পুম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	90.241086
US Dollar	83.211742
British Pound	105.615026
Australian Dollar	54.254362
Chinese Yuan Renminbi	11.560395
Japanese Yen	0.548376
Malaysian Ringgit	17.560914
Singapore Dollar	61.897661
South Korean Won	0.062067
Saudi Arabian Riyal	22.189798
Thai Baht	2.299311

GAS NEWS

KHORIPHABA NAMBOL BK. UP-TO-DATE
HOME DELIVERY : 8787632782/7005229445
M/S K&K INDANE SERVICE, HOME DELIVERY ONLY
BOOKING UPTODATE
CALL TIMING: 8AM TO 12NOON
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Imphal East.
Singjamei. 9362663937
Tiddim line 87946 84988
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
8787530107 / 9863654574 /9774213728 /9089519886.
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/8258856407 /8014963395
KONTHOUJAM A/c 9863201839
LAMSHANG A/C -9612493837
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 02/03/2024
BOOKING UPTO: 14/03/2024
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM (Temporary).
For Home delivery: 9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days
IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Booking - Upto date
Office ContactNo.9362654114.
Time 8:30 am to 12:30 pm.
Available 19kg,10kg and 5kg.
URIPOK, LAMSHANG Delivery Boy - Guna Ph.no : 6009936192
KEISHAMTHONG, SINGJAMEI Delivery Boy- Aboy Ph.no: 8414050561
KWAKEITHEL, MALOM Delivery Boy- Chittaranjan ph.no-85756987
KEISHAMPAT Delivery Boy- Anand ph.no: 9089364355
NAGAMAPAL,THANGMEI-BAND, CHINGMEIRONG Delivery Boy-Sagar ph.no:8798303493
WANGKHEI, KHURAI, SAMUROU Delivery Boy-Bringkingson ph.no:7629857123
SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK, TERA, PATSOI Delivery Boy - Somorjit ph.no: 7005316328
WAHENGBAM LEIKAI, SALAM LEIKAI Delivery Boy-Jiten ph. no : 9856506500

লোই থাখিবা নিংথৌ কুল্লচন্দ্র ১সুং মহাক্কী...

*লমায় ১গী মখা...*অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎতা বৃটিশকী কম্মিস্নর য়াওনা ওফিসলশিং লৈরমখিবা মফমগী মরক্তা লম্বী অমা খল্লগা নিংথৌ কুল্লচন্দ্রগী নীংশিং য়ুম অমসু ইরাপ লাপ্পনদা লৈরম্বগী খুদম ফংখি। মরম অসিনা মফম অদুদা নিংথৌ কুল্লচন্দ্রগী শেঞ্জেংনা শাবা মীতম মপুম নৎত্রফাওবদা তঙ্খাই খক্তা ওইরবসু থমদুনা মণিপুরদগী লোই থাখিবা অথৌবা ফম্নাইবা অমদি খোঙলোই ২৩গী মীতম থম্নবা গেল্লরি অমা শাদুনা করিগীদমক মখোয়বু মফম অদুদা লোই থারকখিবনো হায়বগী ৱাহংশিংগী পাউখুম পীহনবা চুমগনি হায়রকখি।

অসুম্মাইনা শেমগৎ শাগৎলক্লগাদি হান্নদগী হৌনা ঈথৎ অদু লম কোয়বশিংগী পুক্লিং চিংশিনফম হেন্না ওইরক্কনি। মীতৈগী চৎনবীদদি চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং ওইরবসু লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমজবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লদুনা লাক্লি। থৌরম অসিমকসু পাঙথোকপা ঙম্নবা শেমগৎ শাগৎপগী তঙাইফদবা লৈরি হায়রকখি। অদুগা করিগুম্বা অসুম্না শেমগৎপীরক্লগাদি মীতৈ ফুরুপকী ওইবা অমসুং ফুরুপ অসিগী ইনাৎ লাইনীং, থৌগল্লোন ময়েক শেংনা খঙবা মীওইশিংবু ক্যেরটেকর ওইনা থম্বীবনা য়েংবা লাকপা মীওইশিংদসু মণিপুর অমসুং বৃটিশকা শোক্লখিবা লানগী ৱারী য়াওনা লোই থারকখিবশিংগী মরমদা নীংথিজনা টুরিষ্টশিংদা খঙহনবা ঙমগনি হায়রি।

থৌরাংশিং অসি পায়খৎলবদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ঈথৎ অদুদা লৈরিবা মাউন্ট হেরিএটপু মাউন্ট মণিপুর হায়না ওন্থোক্তুনা কৌবীখিবা অদুগী ৱাহন্থোকসু হেন্না ময়েক শেংহনগনি হায়রি।

আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টরনা মখা তানা হায়, মফম অদুদা মহাক নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী থৌরম অমা পাঙথোকপদা শরুক য়ানবা খঙহল্লকপদগী চৎলুরে। মহাকসু মফম অদুদা লাক্লম্বগীদমক থৌরম অদু পাঙথোকপনি। মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি অমসুং লোয়শঙগী কম্মিস্নর য়াওনা চৎমিন্নখিবদা নিংথৌ কুল্লচন্দ্রগী নীংশিং য়ুম্ফম লৈরম্বগী মফমশিং হকথেংননা থেংনরকখিবনি হায়রি।

মফম অদু ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা লৈরম্বা মফমনি হায়রবসু রিজার্ভ ফোরেষ্টকী লম মনুং চন্না লৈবনা উমং য়োকখৎনবা অকনবা থবকশিং পায়খৎহৌখি। উমং অদুদা লৈবা তীল-কাং, লিন অমসুং শা-উচেক্লচিংবশিংগী ফোটো নীংথিজনা থেৎতুনা হায়রিবা থৱায় পানবশিং অসি লৈরি হায়বা মীয়ামদা ময়েক শেংনা উহল্লম্মী। মরম অসিমক্লা উমংগী শরুক অদুদা মণিপুরগী মীয়াম্না অপাম্বা মওংদা মফম য়াম্না কন্দুনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তদি মখোয়না ইপাম পামখিদে।

অদুম ওইনমক উমংগী শক্তম কায়হন্দনা থমহৌরিবা মফম অদুদা মণিপুরগী নিংথৌ অমসুং মহাক্কী খোঙবুশিং লৈরম্মী হায়বদু ময়েক শেংনা মালেমগী মীয়ামদা উৎপা ঙম্নবা পীক্লবসু মফম অমদি তোঙান্না শেমগৎপা পাম্মী হায়রকখি।

মায়োক্লহৌদ্রবদি ঐখোয়গী লৈবাক মচেৎ তানা...

ঙৱাংগী মখা... চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, বোর্দর ফেন্সিংগী মতাং অসি থবক ওইনা হেক্তমক ঙসি হয়েং পায়খৎকনি হায়বসিসু থাজবা ৱাংলি। মণিপুরগা তাইনরিবা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর অসি কিলোমিটর ৩৯০ শাংই, মসিদা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা ১৯৪৯দা তিনখিবদগী ঙসি ফাওবদা কিলোমিটর ২২ রোমতমক শম্বল খারি। হৌজিক কিলোমিটর ৩৬৮ শম্বল খাগদৌবা ৱাংলি। বোর্দর ফেন্সিং অসি খাবদা হৌজিক চৎলিবা মওং অসি য়েংলগদি চহী চাম্মা-চাম্মা চঙখিবা য়ারি। এফ এম আর অসিসু ইন্দিয়ানা মতম মতমগী ম্যান্মারদা চথবা জিওপোলিটিক্স য়েংলগা ফিরেপ লৌই। এফ এম আর চৎনহল্লোই হায়খ্রবসু হৌজিক ফাওবদি চপ চাবা ওফিসল ওর্দর/নোটিফিকেসন থোকপা তাদ্রি। এফ এম আর অসি ইন্দিয়ানা মণিপুর লৌশিনখিবা চহী ১৯৪৯দগী ২০০৪ ফাওবা কিলোমিটর ৪০ ফাওবা চঙবা য়াহল্লম্মী। চহী ১৯৬৭ মমাঙফাওবদি করিগুম্বা দোক্যুমেন্ট অমত্তা য়াওদনা চঙবা য়াহল্লম্মী। ২০০৪দগীনা ঙসি ফাওবা অসি কিলোমিটর ১৬ চঙবা য়াবগী অয়াবা অসি লৈরকপনি। এফ এম আর অসি ইন্দিয়ানা ম্যান্মারদগী কান্নবা অমদি তোংজবগী মতুংইন্না চথরক্লি। ইন্দিয়াগী পায়খৎলিবা এক্ট ইষ্ট পোলিসি, ট্রান্স এসিয়ন হায়ৱে অমদা কলাদান প্রোজেক্টশিং অসি য়েংলগা এফ এম আর অসি চপ চানা লৌথোক্নি হায়বসি থাজবা ৱাংলি।

মণিপুর লৈঙাক্কী খ্বাইদগী থৌ-ৱা শাদনা তূমদুনা লৈখিবা, য়েংশিন্দনা লাকখিবা থৌওং অমদি কুকি-জো শিংগী চীফতাইনশিপকী চৎনবী অসিনি। চথাং পুথাংগী চৎনবী অসিনা কুকি চীফ নিংথৌ অমগী মচানুপাশিংনা খুল অমমম শেল্লগা অনৌবা নিংথৌ ওইনবগীদমক ম্যান্মারদগী কুকি-জৌ লিশীং-লিশীংনা খুজিং ওইদুনা পুশিল্লকখি। মসি ঙসিসু লেপ্পা লৈতনা চথরি। চৎনবী অসি ম্যান্মারদা ১৯৪৮দা মুথৎখ্রে, অসাম অমদি ত্রিপুরাদসু ১৯৫৪দা মুথৎখ্রে, মণিপুরদা চীফটাইনশিপ অসি মুথৎনবা ১৯৬৭তা হিল এরিয়াজ কম্মিটি অমদি মণিপুর এসেমব্লিনা ৱারেপ লৌখ্রে। ৱারেপ অসিবু ১৯৬৭কী জুন ১৪দা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা মপুং ফানা মুথৎনবগী অয়াবা পীরকখ্রে অদুবু অসুক শাংলবা চহী ৫৭ অসি গেজেট নোটিফিকেসন থোক্তনা নমশিন্দুনা থম্লগা চৎনহন্দনা থম্লি। মসিনা মরম ওইরগা চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, ফেরজোল, তেংনৌপলদা খুল লিশীং অনীগী মথক্তা হেনগৎলকখ্রে। খ্বাইদগী ভোটর লিষ্ট য়াম্বদা চুড়াচান্দপুরনা ভোটর ১,৪২,৭৩২, কাংপোকপীনা ভোটর ১,০৩,৫৬৩ য়ৌরকখ্রে।

ফুরুপ অসিগী ওইনা শীংনরক্লিবা কয়া অসি ঐখোয়গী মীয়াম্না ৱাখল তানা খন্থরগা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌদুনা থেংনবা চুমগনি, ঐখোয়গী লৈঙাক অসি মীয়ামগী অপাম্বদা থবক তৌদবা য়ারোই হায়দুনা লেপ্পুনা তকশিনবা, লাউবা চঙই, ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা পোলিটিকেলগী ৱারীদা থাজদুনা মীচম মীয়াম ঐখোয়না পঙথদুনা লৈথোকপদি চুপ্লোই। হৌজিক ঐখোয়না শাংলবা তুংলমচৎ অমগীদমক পাকশনবা মীৎয়েং য়েংদুনা থেংনবা চুমগনি। লৈরিবা প্রোব্লেমশিং অসি মালেমগী ওইবা চৎন-পথাপ (ইন্টরনেসনল লো) কী মখাদসু ঐখোয়না করম্না থেংনবা য়াগদগে হায়বা লম্বী অসিদসু ঐখোয় মীয়াম্না মীৎয়েং থম্না চুমগনি হায়না মণিপুর ইন্টরনেসনল য়ুথ সেন্টর (এম আই ৱাই সী) না ফোঙদোরক্লি।

HL-B/8348/13,15,17,19

য়াওশঙ কুম্মৈ পাঙথোক্লগুমসি...

*লমায় ১গী মখা...*মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিংসু পল্লদুনা থংনবা মীৎকুপ্তদি কদাইদা করি থোক্লগদগে তম্বা ঙমদনা নীক নীক লাউনা হিংনরি। চিরবা তানফমসিদা য়াওশঙগী মীংদা লাংবা-খোংবা, লম্বী থৎপা অমসুং মহৈলোয়শঙশিং নুমিৎ ৫নি চুপ্পা লেপ্তুনা মহৈরোয় পুম্নমক ককঙাওনহনবা অসি মাঙজবা ওইগনি। মরম অসিনা হন্দক্কী য়াওশঙদগী হৌরগা নুমিৎ মঙানি লেপ্পবা ৱাফম লৈখ্রবসু রিভিয়্যু তৌবীদুনা ঐখোয়সু মালেমগী লমজেল য়াওমিন্নরসি হায়রি।

তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদবা ...

লমায় ১গী মখা... ২৮দনা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অনীমক্তা মীরেপ ওইননবা ফাইল তৌরকখিবা নোমিনেসন পেপরশিং স্ক্রুটিনি তৌগনি। অদুগা কনাগুম্বা কেন্দিদেটশিংনা মীরেপ চে লৌথোক্লিংলবদি থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা কন্সটিট্যুএন্সি অনীমক্কী ওইনা লৌথোকপা য়াগনি হায়রি।

অমরোমদা, চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর, মণিপুরগী মায়কৈদগী ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা থা অসিগী ৩০ ফাওবদা কন্সটিট্যুএন্সি অনীমক্তা মীরেপ ওইগদবা কেন্দিদেটশিংগী মশীং খঙদোক্লবা মতুং পুং ২৪গী মনুংদা মরী লৈনবা রিটর্নিং ওফিসরশিংনা ইলেক্ট্রোনিকেল্লি ট্রান্সমিটেদ পোষ্টেল বেল্লোট সিষ্টম (ঈ টি পি বি এস) গী খুত্থাংদা মণিপুরগী সর্ভিস ইলেক্টর ২১,৮১৫দা পোষ্টেল বেল্লোটশিং য়েন্থোক্কনি হায়রি।

চেরোল অসিনা পোষ্টেল বেল্লোটকী খুদোংচাবা অসি করম করম্বা ইলেক্টরশিংনা ফংগদগে হায়বদুসু ময়েক শেংনা পল্লি। পুম্নমকসিগী মনুংদা মশাগী চহী ৮৫গী মথক্তা লৈরবা মীওইশিং (সিনিয়র সিটিজন) সু পোষ্টেল বেল্লোটকী খুত্থাংদা মীখল অসিদা ভোট থাদবা য়াহনগনি হায়রি।

নুমিৎ ৭৩নিগী মনুংদা পুলিসনা ...

লমায় ১গী মখা... চৎলুবদা মহাকপু পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অমা লৌখৎলে হায়রকপগা লোয়ননা ফাজিনখিবনি হায়রি।

মহাক ঙসি নুমিদাংৱাইরম দ্যুটি মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা পুথোক্তুনা পুলিসকী মায়কৈদগী নুমিৎ খরনি পুলিস কষ্টদি লৌনবা কন্না হোৎনরকখি। অদুম ওইমনক মহাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা পুলিসকী রিমান্দ প্রেয়র অদুবু ওবজেক্সন তৌদুনা বেল পীবিনবা প্রেয়র তৌখি।

দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটনা নাকল অনীমক্কী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা মহাকপু বেল পীরকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মহাক মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্লা শকখঙনরিবা ইম্ফালদা নুংতিগী নুংথিলদা ফোঙবা পাউচে 'কংলৈপাক্কী মৈরা' গী চীফ এদিটর ওইরিবা ৱাংখেমচা শামজাইগী মচানুপানি। মহাক্কী অপোকপা অসিসু দিসেম্বর ২৪, ২০২৩দা পাউচে অসিগী অনীশুবা লামায়দা 'কুকি মিলিটেন্টশিংনা শুনুসিফাই মীতৈ খুলদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান্দারকখ্রে' হায়বা পাউ অমা ফোঙলুবগী মায়োক্তা ইম্ফাল পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৯০৩ (১২) ২০২৩গী মখাদা ফারগা মখোয়গী কষ্টদিদা নুমিৎ হুমনি রিমান্দ লৌথদুনা থল্লুবা লৈখ্রবনি। অদুগা অনীশুবা ওইনা পাউচে অসিগী এদিটরবুসু জন্যুৱারী ৫, ২০২৪দা ইম্ফাল পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৩ (১) ২০২৪গী মখাদা ফাদুনা মখোয়গী কষ্টদিদা নুমিৎ হুমনি থমখি। মরম অসিনা দিসেম্বর ২৪, ২০২৩দগী পাখৎলগা ঙসি ফাওবগী নুমিৎ ৭৩গী মনুংদা পুলিসনা ফাবা তোঙান তোঙানবা এদিটর ৩ শুরে।

আউটরগী সিট্টিং এম পি ডা. লোরহো ফোজে টিকেট ...

লমায় ১গী মখা... জিমিকপু মণিপুরগী আউটরদা মীরেপ ওইহন্নবগী মতাংদা ঙসি এন পি এফকী কোহিমাদা লৈবা সেন্ত্রেল হেদ ক্বার্টরদা পার্টি অসিগী ৱার্কিং কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা য়েৎনদনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না মহাকপু মীরেপ ওইনবা লাউথোকখিবনি। অদুগা কোহিমাদা লৈবা পার্টি অসিগী সেন্ত্রেল হেদ ক্বার্টরদা হয়েং নুমিৎয়ুংবদগী হৌরদুনা পাঙথোক্কদবা পার্টি অসিগী টিকেট য়েংম্থোকপগী থৌরমদা মঙোন্দা পার্টিগী টিকেট খুৎশিন্নগনি হায়রি।

থৌরম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইরিবা এন পি এফকী অৱাংবৌ ন্যুমাই শরুক য়াগদৌরি। পার্টিগী লুচিংবশিং য়াওনা এন পি এফকী প্রসিদেন্ট অপোং পোনগেনরনা কাচুই তিমোথি জিমিকতা মণিপুরগী নম্বর ২-আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইনবগী টিকেট খুৎশিন্নবগা লোয়ননা থৌরম অসিদা শরুক য়ারগদবা মীওই পুম্নমক্না মীখল অসিদা মহাক্না মায় পাক্লনবগী প্রেয়র থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

মণিপুরগী তাঙ্খুল ফুরুপকী মনুংদগী শক্লাইরবা মীওই অসিদা এন পি এফকী টিকেট পীরকখিবগী মতাংদা পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা কাচুই তিমোথি জিমিকতা হন্দক্কী মীখল অসিগী টিকেট পীদুনা মীরেপ ওইহন্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা ৱারী শানরক্লিবা এন এস সী এন - আই এমগী মায়কৈদগী অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোরকখিবা লৈ হায়রি।

মহাক উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লুংফু খুলদা অদুঙৈ কুমজা ১৯৬২গী জন্যুৱারী ১৪দা পোকখিবনি। হৌজিক্লা মহাক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সনাকৈথেল খুলদা লৈরি হায়রি।

মহাক জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি (জে এন য়ু), ন্যু দেল্লীদগী মাষ্টর লোইশিল্লবা মতুংদা মহৈকোল অসিমক্তদা রিছর্স স্কোলর ওইরমখি। অদুগা ইন্দিয়ন রেভন্যু সর্ভিসতা চঙলক্তুনা কুমজা ১৯৮৫দগী কুমজা ২০২২ ফাওবা মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্স (রেভন্যু) গী মখাদা থবক তৌরমখিবনি।

মহাক্না তৌরকখিবা মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা নোর্থ ইষ্ট ওফিসরস এন্দ প্রোফেসনেলস ৱেলফেয়র এসোসিএসন (কোলকটা) গী প্রসিদেন্ট, গুৱাহাটি খৃষ্টিয়না ফেলোসিপকী চ্যেরমেন, নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুম্বাই) গী এদভাইজর, তাঙ্খুল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (দেল্লী) গী প্রসিদেন্ট অমসুং তাঙ্খুল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (শিলোং) গী জেনরেল সেক্রেটরিগী ফমসু পুরমখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরগী নাগা ফুরুপকী এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না ১৮শুবা লোক সভা মীখল অসিদা এন পি এফকী মীরেপ্তা শৌগৎনবা ৱারেপ লৌবা লৈখ্রবনি।

অদুগা আউটরগী কন্সটট্যুএন্সি অসিমক্তদা হান্নগী উখ্রুলগী এম এল এ অলফ্রেদ কানঙম অর্থরসু কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইগনি হায়দুনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী মহাক্কী ইলেক্সন কেম্প্যেন ফাওবা চথবা হৌরকখ্রবনি।

অমরোমদা, পাঙথোক্লগদবা মীখল অসিগী ফেজ অনীমক্কী ইলেক্সন নোটিফিকেসন ঙসি মরী লৈনবা রিটর্নিং ওফিসরশিংনা থোক্তুনা ঙসি অয়ুক পুং ১১দগী হৌরগা নুংথিলগী পুং ৩ ফাওবা মীরেপ চেশিং পীশিনবা য়াগনি হায়খ্রবসু পুংফম অসি ফাওবদা ইন্নর অমসুং আউটরগী কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা মীরেপ ওইগদবা কেন্দিদেট অমত্তনা মখোয়গী নোমিনেসন পেপর ফাইল তৌরকপা লৈখিদ্রে।

ꯄꯤ ꯑꯦꯆ. ꯗꯤ ꯗꯤꯒ꯭ꯔꯤ ꯑꯋꯥꯔꯗ
Ph. D DEGREE AWARDED

Mr. Tayenjam Kanta Singh, S/o Tayenjam Shamu Singh and Tayenjam (O) (L) Chaobihal Devi of Thoubal Leishangthem Wangmataba was awarded The Doctor of Philosophy (PHD) in Education on 18th March, 2024 vide notification on MU/9-23/23/1800 by the Manipur University (M.U) for his thesis titled "A study on Job Satisfaction among the Government College Teachers in Manipur". His Ph. D. Registration No. is 3723/17. He worked under the supervision of Dr. Ch. Beda Devi, Assistant Professor, Dept. of Education, M.U. He cleared SLET in 2019. During his research period, he has published 2 UGC CARELIST Journals, 1 International peer-reviewed Journal and Presented 1 research paper in International, 3 research papers in National and participated 10 workshops in National and also attended in many National, International seminars, Nebirars conference and other related research works. At present, he is working as Assistant Professor (Guest faculty) in Lilong Haoreibi College, Government of Manipur and also UNACCO College, Khongman.

We wish him Congratulations and may this be the stepping stone of your future endeavours. He is the 3rd son of the parents. He is also the Info & Publicity Secy. of Leishangthem Chaokhat Lup. He is the first person of Ph.D. Awarded (Education) in Leishangthem Wangma Tayenjam Leikai.

With best wishes
From : Family, Uncles, Relation and well wishes members of Leishangthem Chaokhat Lup.

HL-P/10144/21

ꯈꯪꯍꯟꯕ / খঙহঞ্জবা

অসিনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা ৱাফম খরদং New Hope Life Foundation for Disabilities গী সেক্রেটরি অমদি প্রসিদেন্টগী মায়কৈদগী লৈবাক মীয়ামদা খঙহঞ্জরি মদুদি, New Hope Life Foundation for Disabilities গী মিং অমদি সেক্রেটরিগী মিং শীজিন্নদুনা ফন্ধসন তৌগদৌরি, প্রোগ্রাম অদু তৌগদৌরি হায়দুনা দোনেসন চৎপগী পাউ ফংজরে। মরম অসিনা হায়রিবা থবকশিং অসি খুদক্তা লেপ্পীয়ু অমদি লৈবাক মীয়াম্নসু দোনেসন অসি হাপ্পীগনু। হায়রিবা হীরম অসিগী মতাংদা সেক্রেটরি অমদি প্রসিদেন্টগা করিগুম্বা মরী অমত্তা লৈনজদে অমদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী দাইত্ব খুদিংমক দোনেসন চৎলিবা মীওইশিং অদুনা পুজগদবনি হায়না লৈবাক মীয়ামগী মফমদা খঙহঞ্জরি।

খঙহঞ্জরিবা :- তোংব্রম প্রেমকুমার সিংহ
সেক্রেটরি, ন্যু হোপ লাইফ ফাউন্দেসন
ফোর দিসএবিলিটিজ

HL-P/10146/21

ꯊꯕꯛ/Employment news/Thabakki Pao

1) Two Female and male warden cum teachers Graduate/PG (Rs.12,000 to Rs.15,000)
2) Two Boarding cook couples (Rs.11,000 to Rs.14,000)
3) Two Female Warden cum Nurse - Graduate (Rs.10,000 to Rs.13,000)
4) Two Boarding Chowkidar couples Rs.10000 and one bus driver -Rs.9000

For details please contact : 8798754418

HL-P/10151/21

Office of the
ENCHANT FUTURE EMPOWERING CENTRE
Wahengbam Leikai Near Hotel Bheigo
Kaidongfam Building Top Floor

ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

SL.NO	NAME OF THE POST	QUALIFICATION	SALARY
1	Security (Male)	VII	8,000 - 13,000
2	Cargo Loader	X	11,500-15,000
3	Sales Associate	XII/XII Appearing	18,000-20,000
4	Lounge Associate	XII/XII Appearing	16,500 & Above
5	F&B Staff	XII/XII Appearing	16,000 - 20,000
6	Delhi Duty Free	Any Graduate	22,000-28,000
7	Business Development Executive	Any Graduate	18,000 - 22,000
8	Relationship Manager	Any Graduate (Min. 50%)	20,000-24,000

Last Dt. of Form Submission : 22nd March, 2024
Date of Interview : 23rd March, 2024
# 7005947474

HL-P/9063/15,17,18,19,20,21

INNOVEGIC GLOBAL INSTITUTE
Recognised by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
ADMISSION OPEN
AVIATION
CABIN CREW & GROUND STAFF
at Just Rs. 15k till selection.
COMPUTER
SPOKEN ENGLISH
SPOKEN HINDI
SPECIAL PACKAGE FOR X, XI & XII APPEARED STUDENTS
at just Rs.3K for 3 months
ENROLL NOW
Limited Seats, Limited Period
MORE INFO # 7005214205 # 6009048058 # 9366338477
Terms & Conditions
HEAD OFFICE: OLD LAMBULANE, OPP. G.P WOMEN'S COLLEGE, IMPHAL.
BRANCH OFFICE: KEISHAMPAT HODAM LEIRAK MACHIN, NEAR SANGAI EXPRESS.